ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯶꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, সেপ্টেম্বর ০৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৬৪শুবা মশীং

# মীয়াম নুংঙাইহনবা য়াদে

## ভোটতা হুমদুনা পুবা য়ারোই

মণিপুর মীয়ামগী হৌজিক ওইরিবা পুন্সি মহিংসিবু করিনো? চীং অমসুং তমদা লৈবা মীওইশিংগী মরক্তগী খুজোক অমনা খুয়া তুশিৎনা হিংলে, য়ূম অৰাংবা শারে, গাড়ী অতাঙবা তোংলে অমসুং মফি-মরোল নাল্লে হায়রগা মণিপুর লায়রবা, হিংবদা ৱাবা মীওইশিং লৈত্রে হায়না লৌবা য়াগদ্রা? অয়াম্বা চীংমী-তম্মীশিংদি মখোয়গী লেঙদবা হিংনবগী মপূং ফাবা পাম্বৈশিং লৈজদ্রি। নোংমগী শুরু-নোম্লুরগা চরা নোংখন্নরি। অসিগুম্বা মীওইশিংগী মশীং য়াম্না লৈবনা কনাগুম্বা লূপশিংনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা দিমান্দশিং তাল্লকপদা মীওইশিং অসিগী নোংমগী পুন্সিদা অয়েৎপা-অকায়বা থোকহনগদবা বন্দ অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইককী খোঙজংনা লাইনীং ওইরকই। খোঙজংসিনা দিমান্দ ফংনবগী মরু ওইবা পাম্বে ওইরকই। মসিমক্না নেসনল হায়ৰেশিংদসু মখল কয়াগী ব্লোকেদকী খোঙজংশিং চঙশিন্নরকপনি। মসি হায় হায়দুনা লূপশিংদুনা লায়রবা মীয়ামদা অতম্মনা টার্গেট তৌবদি নত্তে। খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবনি। মীয়াম হুপ্না ৱাহনগদবা খোঙজং চঙশিল্লক্লবদি লৈঙাক্না মখোয়গী ৱাকৎ তাবিরগনি হায়রকপনি। লৈরিবা ফীভমসিনদি হৌজিক ফাওবা মণিপুরগী মশীং য়ান্নবা মীয়ামগী শেন্মীৎলোন্দা ফগৎলকপা লৈত্রি হায়বনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা মসিগী ফীভমসিদা অদুম্মক লৈরিবা করিগীনো? করি তৌরগা ফীভমসিদগী হোংদোরক্তুনা অফবা মায়কৈদা লাক্কদগে?

ৱাহংসিগী পাউখুম কনানা পীগদগে? লৈ, পাউখুম পীবিনবা/পীফম থোকপা মীওইশিং লৈ। ৱাহং থোরক্লবদি পাউখুমসু শোয়দনা লৈগদবনি, লৈফম থোকই, লৈতবা য়ারোই। অদুবু ৱাহংসিগী পাউখুমদি মপূং ওইনা য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না পীগদবনি। মখোয়দা মীয়াম্না মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবগী পৱার শীন্নখ্রবনি। লৈঙাক্লোন খূৎপায়নহনখ্রবনি। ষ্টেট অমসুং লৈবাক অপূম্বগী মীয়াম নুংঙাইহনবা হায়বসি ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক পায়রিবশিংগী থৌদাং ওইগদবনি। অদুগা লৈঙাক্কা খূৎশম্মনা চৎকদবা মীয়াম্মসু ৱাহংসিগী পাউখুম পীবদা মখোয়গীসু শরুক মচেৎ অমত্তা য়াওদ্রে হায়বসু য়ারোই। লৈঙাক্না পায়খৎলকপা থবক্তা চুম্মী-লাল্লি অমসুং ফৈ-ফত্তে হায়বা ঙম্বগী থৌনা মীয়ামদা লৈগদবনি। লৈঙাক্না হি হোল্লবসু মীয়াম্না হিনাও শাগদবনি। অদুবু পীকখ্রবা ষ্টেটসিদা ফাওবা হৌজিক মখল কয়াগী ক্রাইমশিং থোক্লিবা অসিনদি মণিপুর মীয়ামগী পুন্সি মহিং অমসুং মরেল ষ্টেন্দর্দ ওইনা/লৈনা হিংলে হায়বা য়াখিরোই। অমরোমদা লৈঙাক্না তোঙান-তোঙানবা লোয়শঙশিংগী মথৌ তারকপদগী লৌননবা কৌদুনা পাঙথোকখিবা দি পি সী/রিক্রুটমেন্ট অমসুং ইন্টরভিয়ুনচিংবগী রিজল্ট চহী য়ামশিল্লক্লবসু হায়দোকপা ঙমদ্রি। নোংমগী হিংবদা চঙবা তঙাইফদবশিং য়াওনা পোৎ-চৈগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংলি। পোৎ-চৈশিংদগী খোমগৎপা/লৌখৎপা টেক্সকী শেনফমশিং হেঙ্গৎহল্লক্লি। মতিক-চাবা ফেক্টরি/ইন্দষ্ট্রি লৈজদে হায়রগসু শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইনরিবা লৌউ-শিংউবগী থবক-থৌরম ফাওবা মায় পাকহনবা ঙমদ্রি। পূম্নমকসিবু মীয়াম নুংঙাইহল্লগা, অৰাৎ অপা লৈহন্দ্রগা ইলেক্সনগী মতমদা অরাইবা পাম্বৈনা হুমদুনা পুবা য়ারোই হায়দুনা লেঙদবা ফীভম অমদা চারি-হিংলি হায়দুনা লৈহন্নবা থৌওইনা খুজিল থৌরাং তৌরব্রা হায়বসি হংদবা য়ারক্তে। হৌজিক রিজল্ট লাউথোক্ত্রিবা থবক হাপ্পগী পাঙথোকখ্রিবা টেষ্ট ময়ামসিসু কুমজা ২০২৪গী লোক-সভা মীখল মমাঙদা হায়দোক্কদৌরিব্রা?

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৯

১) "**লাইখি জাগোয়গী চীন্থাং ৱারী**" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ওরিজিনেল করি লোলদা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) "**মেনকাগী মচানুপী**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

৩) "**নিতি লীলা দিবারাস**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) "**পুন্সি অমসুং তিংখং**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) "**অশংবা চীংমায়শিং/অমুবা ফিজোল হোংদোকখ্রবদা/কায়রক্লে ঋতুগী খোঙচৎ/ঈচেল লেপখ্রে তুরেলশিং/চেল্লক্লে লৈক্রক্কী ঈচেল**" শৈরেং অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ষ্টেন্দর্দনা ৱাংখৎখ্রে, চাওখৎ-খোঙথাংনা লৈহৌরে

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মতমসিগী মীওইশিংসি মশা-মশানা ষ্টেন্দর্দ আ-য়ৌনা লোইনা ৱাংনখ্রে। অদুগা চাওখৎ-খোঙথাংনা আ লৈখাদা লোইনা, লৈমায়দা পক-পক্লা নেমথদুনা লৈহৌরে। করিগীনো ইরমদমসিগী হৌজিক্কানগী চাওখৎ-খোঙথাংসিনা অসুক্কী মতিক তপথরিবা অমসুং নেমথরিবসিনা? অদুগা, মতমসিগী মীশিংসিনা মশা-মশাগী ৱাংফম থোকপা ষ্টেন্দর্দশিংদগী হেন্দোক-ফাদোক্লা ৱাংনীংলিবসিনা করিগী? মতম্না পুরকপা, মতমসিগী অওনবা-অহোংবা হায়বদু মসিরা? মসিরা, ইরমদমসিগী মীয়ামসিনা মতম কুইনদগী ঙাইনরক্লিবা অৰাংবা থাক্কী পুন্সি মরেল, পুন্সি মহিং হায়নরিবদু? পেৎ লাউবা য়াদে, মতমসিগী মীয়ামসিনা হোংনখিবসিনা, লোনচৎ অমদা হেক্তা হোংনৈ, খোঙথাং অমদা হেক্তা ওন্থোক্লে। অহোংবনা ময়ুং কাবা, অওনবনা মফেন ওইবা লম হায়বদু ঐখোয়গী ইরমদম মচাসিনা শোয়দনা ওইরদৌবা জাৎলা? চক্রিগী ময়ায়দা পানবা খূৎপায়ফমদুদগী উংলকপদুগুম, ময়ায় ওইবা লম দেল্লীদগী উংলকপদদি ঐখোয় সিৰাইগী নোর্থ-ইষ্ট লমদমগী ষ্টেট মচা-মচাশিংসিদি উংশা পাইবা মখৈ উংলপোৎনি। মহৈ-মহৈ কোইপাই-কোইপাই পাইথোক্লরকপা ফাওবা য়াওনরকপা য়াই। ময়ামদুগী মনুংদা মণিপুরসিসু অমনি। দেল্লীনা উংলকপগী মতুংইন্না মণিপুরনা করিগী চপ-মান্ননা উংলোই? শুপ্নগী দেল্লীদা নোং মংদং মংবদা মণিপুরদা ছাতিন হেক্তা খনগৎননবগী ৱারী অচুম্বনি। অদুবু, ফনা নক্লনা মতৌ তল্লুদুনসু চাওখৎপগী থাক হায়নীংঙাই লৈতনা নেমথরিবা ইরমদমসিগী মীওইশিংনা চাওখৎপগী থাক ৱাংখ্রবা লমদমশিংগী মীওইশিংগা ষ্টেন্দর্দ ৱাংবা মান্ননা চৎমিন্ননবা অমসুং হিংমিন্ননবা হোৎনরুবদি মতম কুইনা খক চৎকনি থাজদে। ফরক শোয়দনা তারক্কনি। ইশাগী ইরমদমসিগী চাওখৎ-খোঙথাংনা অসুক্কী মতিক নেমথনা লৈরবদা, ঐখোয় ইশানা ইশাবু ষ্টেন্দর্দ ৱাংবা মী শাদুনা হিংগদৌরিসি কয়াম কুইননো?

অমেরিকা, জপান, চাইনা, রুসিয়াগী মতৌ তমদুনা ঐখোয়না হিংবসি ঙমগদ্রা? ঙল্লোই ঙাক্তা হায়বগী ৱাসু নত্তে, অদুবু ঙল্লগসু হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা চানবু চানগদ্রা হায়বসিনি। মীরমগী ষ্টেন্দর্দ ৱাংবা, অনানবা পুন্সি মহিং, চানীংলিবা মখৈ হোঙত্রিক-হোঙনা ফংবদুনি ঐখোয়না চাওখৎপা লৈবাকশিংদা কল্লকচবা পোকই হায়রিবসি। চাইনাদা অঙাংশিংগীদমক হোস্পিটালদা লায়েংবা লাকপা মতমদা মদুদা চঙগদবা এক্সপেন্দিচরশিং অমদি হীদাক-লাংথক্লচিংবগী অপূনবা চাদিংশিংদু চাইনা লৈঙাক্লা ফ্রীদা ওইনা লোইনা তৌহল্লি হায়নরি। অদুগীসু মথক্তা, অঙাংশিংদু লায়েংবা পুরকপা মতমদা নুংঙাইনা পোথাহল্লগা থম্নবা অমসুং শান্নদুনা লৈহন্নবা, মখল-মখলগী রুমশিং, বেদশিং চাইনা লৈঙাক্লা হোস্পিটালশিংদা লেম্না লোইনা শীন-লাংদুনা থম্মীসু হায়রি। ৱাফমসি চাওখৎপা লৈবাকশিংদা ওইরিবা শুপ্নগী থৌদৌ মচা অমখক্কী ৱাফম খক্তনি। অতৈ-অতৈ হীরমশিং ময়াম অমগী থৌদৌশিংসু য়াওনা ৱারী নৈনরবদি চাওখৎলবা লৈবাক অমগী মতৌবু চাওখৎপা য়ৌদ্রিবা নৎত্রগা চাওখৎত্রিবা লৈবাক অমনা মতৌ করম্না তম্বা ঙমগদৌরি? ফনা হায়শাবনি, চাইনা হায়বা লৈবাকসিমা হৌজিকখক্তদা কুম-মৈদা থেংনা চাওখৎলকপা লৈবাকনি। পাক মনীং হন্থরক্কদৌবা মান্দ্রে। য়ামখ্রবা মীয়ামদুগা, মালেমগী মফম খুদিংমক্তা মীশিং হেঙ্গৎলকপগী ৱানবনা চাওখৎপদি লায়রদনা মপুক থন্নবা খক হোৎনবদা ফি-ফি কান্নরবা মতমসিদা চাওখৎলক্কনি-কা হায়দুনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকসিমা খঙলে কৈনোম্মনি, চাইনা হায়বা লৈবাকসিমা পাক নিংখায়রক্কনি থাজদ্রে। চাইনাসি চেকশিনবা তশেংনা য়ারবা লৈবাক অমনি। মীশিং ফংই মখোয়না খ্বাইদগী ময়াম্মী, হৌজিকসিদা শেল-থুমগী ফীভমদা হায়রে, মা মঙাইরে মালেমসিদা নৌনা কন্না, লেম-পানা শীজিন্নখৎলক্লিবা। লানগী খূৎশু-খূৎলায়দগীসু হেন্দোক্তুনা, কম্প্যুটরগী মতমসিদা ইলেক্ট্রোনিক আইটেমশিংদসু মাতনি য়াম কন্না নৌনা লুচিংখৎলক্লিবসি মালেমসিদা। সিদবু চাইনা লায় হায়বা ৱাহৈসি মালেমসিদা করম্বা লৈবাক্লা হায়বীরক্কদৌরিবনো? কনামত্তনা খক হায়রক্লরোই। চাইনাগী ৱাসিমা মসিৰাইসিদা শুম থল্লসি। অতৈ লেমহৌরিবা অরিবা, চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মথক্তা পঞ্জখিবা খরখক অমেরিকা, জপান, রুসিয়া মখোয়শিংসিসু তশেং-তশেংনা মালেমগী মনুংদা মাঙজিন থানা চাওখৎপদা য়াওরিবা লৈবাকশিং ঙাক্তনি। অরিবদবু ওইগেরা, অনৌবদবু ওইগেরা, পাল্লিবা লৈবাকশিংসিগী মীয়ামদুনা ষ্টেন্দর্দ ৱাংনা লৈবা মীওইশিংগী মওং-মতৌশিং শাবা অমদি অৰাংবা থাক্কী পুন্সি মরেলশিং লেনবদদি থোইদোক্লা অমত্তা কায়দে। মরমদি, মখোয়দি তশেং-তশেংনা চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী ষ্টেন্দর্দ লৈরবা মীওইশিং ঙাক্তনি। হৌজিক লুরিবসি ইরমদমসিগী, মরমদমসু চাওখৎত্রিবা, মশাসু চাওখৎত্রিবা ময়াম অমনা ষ্টেন্দর্দ য়াম্না লৈবা মীওইশিং শাদুনা অৰাংবা থাক্কী পুন্সি মরেলশিং লেন্নরকপগী থৌদৌশিং উরক্লিবসিনি। মথক্তা পনখিবা তশেং-তশেংনা মীরমগী চাওখৎপা লৈবাকশিংগী মীয়ামদুনা তৌবগী মতৌদু উরুরগা ঐখোয় সিৰাইদা মরক-ময়াদা চাদিং খরা-খরদং তৌবা ঙমজরকপা মীওইশিংনা মীতৌ তম্বগী থৌদৌ সিমত্তংদি তোকথোক্লসি সিনি হায়নীংলিসি। মীতৌ তম্ববু অফবা পোৎলা?

মণিপুরদা গাড়ী কার তোংবা মীওই ময়াম অমা লৈরি। ময়ামসিগী মরমদা থিগৎনবা হোৎনবদা, মণিপুরগী মীয়ামসি লোইনা থিজিল্লুবগী ৱাফমদি নত্তে। অদুম ওইনমক, শেংনা হায়রবদা গাড়ী কার তোংলিবা মীয়ামসিগী মরক্তা গাড়ী কার তোংদ্রবসু য়াবা মীওইশিং খায়বোক অমরোম হেন্নদি শোয়দনমক্কী লৈরমগনি খল্লি। হোয়, নুংঙাইনবগী পাম্বে থিবদা, মীনা মরল লৈজদুনা গাড়ী কার লৈজরগা নুংঙাইনা তোংজবদা ঐখোয় কনামত্তনসু ৱাহে অমা ফাওবা হায়রুবা চুল্লোই। অদুবু মতাংসিদা পঞ্জরিবা অমসুং নৈনরিবসিদি কার তোংবা ঙন্বা-ঙমদবগী ৱাফমদুদা নত্তে। শুপ্নগী গাড়ী কার তোংবদা মরম চানবা, তোংবদা মথৌ তাবা কাঙবুশিংদু খক্তগী মরমদা পন্দবা য়াদদুনা পঞ্জবনি। মথক্তা নৈনরিবা ৱারেংসিগী মরী লৈনবা, ইরমদমসিদা লৈরিবা মীচম-মীয়াম ঐখোয় অয়াম্বসি, ইশা-ইশাগী লৈফম থোকপা ষ্টেন্দর্দতগী খায়বোক অমা হেঙ্গৎলগা হেক হেক ষ্টেন্দর্দ ৱাংখৎনা চৎনবগী ফীভমদদা লৈনবগুম উরি। ৱাফমসি ইরমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয় অয়াম্বগী অপাম্বা ওইনা তৌই। ঐখোয়গী মরক্তা থোইদোক হেন্দোক্লা ৱাখল্লোনসিদগী তোঙানবা মীওইশিংগী মশীং ফাওবা থোইনা ইয়াও য়াওরমগদবা মান্দে। ঐখোয় লোইনমক নৎত্রবসু অয়াম্বনা ইশা-ইশাগী লৈজরিবা অশেংবা পোফমশিংসিদগী হেন্না ৱাংখৎনা চৎপদা পাম্নবশিং ঙাক্তনা অয়াম্বা ওই। ৱাফমসি কার তোংবশিংদা ঙাক্তা হায়বগী ৱাফম ঙাকসু নত্তে, অহানবগী ওইনা কার তোংবদা খুদম পীজরুবগী ৱা খক্তনি। লাক্লিংলিবা ৱাখল্লোন নৎত্রগা ৱাহল্লোক্তি, - 'ঐখোয় চুম্না অমসুং চম্না লৈবসি য়াদ্রবরা' হায়বা ৱাফমসিদনি। ঐখোয়না চম্না লৈবদা কনামত্তনা ঐখোয়দা খক, নখোয় চম্না হিংমল্লি, সিৰাইদা লৈবা য়াররোই হায়দুনা তাল্লক্কদৌবা লৈতে। ঐখোয় ইশা-ইশানা খক্তমক চম্না লৈয়ু হায়বা ৱাফমসি পামজদদুনা অমদি য়াজনীংদদুনা, নাথৈদুনা চৎনবগী ৱাফম খক্তনি। ফীভমসি ময়েক য়াম্না শেংনা কার তোংবদা খক্তা খন্নবা নুংঙাইরোই হায়বসি খঙই। হৌজিক মখা তানা অমুক ঐখোয় মতেক খরদংগা লৈঙাক্কী থবক তৌবা কাঙবুশিংদা ওইনা য়ূম্ফম ওইরগা খন্নমিন্নসি। মণিপুরদদি লৈঙাক্কী থবক অমত্তংবু তৌবা ফংলবদি পীক্কেরা-চাওগেরা, মশাগী লৈজরম্বা ষ্টেন্দর্দতগী চাউরাক্লা চাদা য়াঙ্খেগী চাংদদি অদুম হেক্তা হেঙ্গৎলবনি। অসিগীসু মথক্তা ইরমদমসিগীদি ষ্টেন্দর্দ ৱাংখৎনা চৎপা হায়বসি মশানা পাম্নবশিং ঙাক্তনি। অদুম ওইনমক, থৌদৌসিনা ঐখোয়দা পুন্সিগী ওইনা অফবা খোঙথাং অমা থাংলক্কনি হায়বসিদি খক থাজদে।

মণিপুরদা হিংমিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমকসি য়েংবদা ইশা-ইশানা চেঞ্জবা য়াবা ষ্টেন্দর্দশিংদগী হেন্না ৱাংখৎনা চেন্নীংবা মীওইশিংগী মশীংনা য়ামখৎলক্লে হায়বসি মথক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিন পঞ্জখ্রবা ৱাফমনি। তৌইগুম্বসুং, ঐখোয়গী ইরক্তা নোংম-নোংমগী ষ্টেন্দর্দ হেঙ্গৎনা চেন্নীংলকপগী ৱাখল্লোনশিং পোল্লকপা হেঙ্গৎলক্লিবরা নৎত্রগা হন্থরক্লিবরা হায়বদুদি ঐখোয় ইশা-ইশানা ওইনা য়েংমিন্নরসি হায়বা ৱাফমসিদা ওইনা থমজগে। অদুগা, শুপ্নগী পঞ্জহৌনীংলিবা ৱাফম অমখক্লা, ষ্টেন্দর্দ ৱাংখৎলকপা হায়সি মতম পূম্নমক্তা ঐখোয় ইশা-ইশা অমদি ইশাগী ইরমদম হান্না ময়েক শেংনা চাওখৎহন্দনা খক ওইথোকপা য়ারোই হায়বসিনি। চাওখৎপবু হেঙ্গৎলক্লবদি ঐখোয় ষ্টেন্দর্দ ৱাংখৎলকপা হায়বা থৌদৌসিদি কম্পলসরি ওইনা অদুম্মক মশানা লাকচরদৌবা ৱাফমনি। চরা হেনবদি লায়, লুরিবদি চরা হেল্লি হায়বা অথীবা মিংচৎসিমা খুন্নাইসিনা খঙখিবদা ফংগদৌরিবা ইকায়বদুনি খাঙবদা য়াম্না ৱাগদৌরিসি। ঐখোয় চাওদি-চাওখত্তনা ষ্টেন্দর্দ হেন্না ৱাংবা শানীংবগী ৱাখল্লোনসি হান্না অমুক্তং খুদকসিদগী হৌনা থাদোকমিন্নবা হোৎনমিন্নসি। ●

# কংলৈপাক্কী গ্রীন গোল্ডশিংদি পাম্বীশিংনি

– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –

জপানিজশিংনা অসুম্না হায়বীরমখি কংলৈপাক অসি "A little paradise on Earth" অদুগা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুনা "Switzerland of the East" হায়না শীংথারমখি। কংলৈপাক অসি এয়র কন্দিসনগা চপ মান্নবা লমদম অমা ওইরমখি। নিংথম থাদা হৌজিক্তি ঙারেন হৌদ্রে। ঈশিং-নুংশিৎ অসি পুমহোং হোংখরে। ইগী, ৱাগী, উগী য়ূম উদরে। চেক্কী, য়োৎকী ঙাক্তা ঙাইরক্লে। মহৌশা লাইরেন্বী ইমা মথুম-মরাং হৌরে। হোংলক্লিবা পূম্নমকসি হেন্না ফরে, হেন্না চাওখৎলে, খ্বাইদগী নুংঙাইরবা তাঙ্ককনি হায়বদি য়ারিব্রা? মীতোপকী মতৌ তল্লিবসিবু হেন্না হেন্না চাওখৎপগী খোঙথাংনি হায়না লৌবা য়ারিবরা? নুংতিগী ৱাহল্থোক য়াওদ্রবা থবক থৌরমশিংদা মতম লেনবসি, পুন্সি মহয় য়ানবগী খুদম নত্তে খঞ্জে। মীয়ামসু অমুক্তা খন্থমিন্নসি। অচুম-অরান পূম্নমক খন্নরগা, তান্নরগা অফবা মায়কৈদা চৎনবা হোৎনসি। সনা লৈবাক কংলৈপাক হায়বদু মচু মান্নবতমক ঙাইরে, কংলে কংলৈপাক।

ইজরিবা ঐহাক্কী খ্বাইদগী নুংঙাইজবা, থম্মোয় পেঞ্জবা নোংমগী থবক্তি - নুংতিগী পাম্বী থাবসিনি। নুংতিগী পাম্বী অমদি চাওবা নৎত্রগা পীকপা খাইদনা থাজৈ। থাহৌদবা নুমিৎতু খ্বাইদগী নুংঙাইতবা নুমিৎনি। থারবদি শোয়দনা পাম্বীদু হৌননবসু হোৎনজৈ। ঈশিংতনি পাম্বীনা মথৌ তারিবসি। মতম চানা ঈশিং চাইবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌনি। ঐখোয়দি মখল-মখলগী মথেলশিং চারি। ঈশিংতনি পাম্বীদি। চাইবিয়ু ঈশিং।



মশীং থিবা ঙমদনা পাম্বীসি থাজরক্লে। সর্ভিসকী মতমদা ধেরাদুন, রাজস্থান, নাগালেন্দ, অসাম, মেরুট, নাওশেরা (জে এন্দ কে), টৱাঙ, শ্রী লঙ্কা, ভুটান, Binnaguri, Nathula Pass (Sikkim), Mhow (M.P), Kangleipak কী মফম কয়াদসু উ পাম্বীশিং থাজরকখি। পাম্বীশিংনা নোংম-নোংমগী চাওরকপবদু উবদা থম্মোয়সি য়াম্না নুংঙাইজৈ। তূম্বা হেক হৌগৎলকপদা পাম্বীশিংদু ইহান হান্না উনীংদুনা য়েংই। পুন্সিসি অফবা থবকশিং মথং-মথং পাঙথোক্লবদি হেন্না হেন্না নুংঙাইবা ওইরি। অয়েৎপসু ৱাৎতে।

কুমজা ১৯৭৬তগী ১৯৭৮ ফাওবসি রাজস্থানগী থার দেজার্ট এরিয়াদা ওক্টোবর থাদগীনা মার্চ থা ফাওবসি আর্মিগী এক্সর্সাইজ পাঙথোক্লকখি। দেজার্ট এরিয়াদদি অয়ূক-নুংথিলসি য়াম্না শাই। নুংশিৎ অশাবা "Loo" হায়বসি শিৎলি। নুমিৎ তারগনা য়াম্না ঈংই। হায়নীংঙাই লৈতনা খেন্নৈ কংলৈপাক্লা অতোপ্পা মফমশিংগা। স্বর্গ ওইরিবা লমদম অসিবু হংলাই ময়াম্না মথক-মখা ওল্লক্লি অমসুং ওল্লি। উহৌদ্রবসু হেক তাবদা, খঙবদা থম্মোয় কায়বা থৌদোকশিং য়াম্না খঙলক্লি। খুদম অমত্তং - লৈবাক্কী মপি-মপা ওইবশিংগী লমচৎ শাজৎতি শাশিংদগী হেন্না হঙ্গোইরি। মচা-মৱা লৈরিবা নুপী অমবু নমদুনা লৌখিবা, লৈবাক্তুগী খ্বাইদগী মকোক ওইখিবা জীবদুগী লমদমদুদা, ইজরিবা ঐহাকসু পোক্লমই খল্লুবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে। লমদম অসিগী মীওই খরগী লমচৎ-শাজৎতি তাবদা য়াম্না হঙ্গোই। মীগী লমচৎ-শাজৎ চৎতবা মী য়াম্না হিংলি।

হংলাই খরনা কংলৈপাক অসি নরক ওন্থোক্লন্লে। ঐখোয়গী লমদম অসি করম্বা মতমগী সিভিলাইজেসননো হৌজিক চৎনরিবসি? য়োৎকী, চেক্কী য়ূম শাবা মতম ওইরি। হিংনবগী পাম্বৈনা মীনম্বা পাম্বৈশিং শীজিন্নরি। মালেম অসি মতুংগী মীরোলশিংগী ফগৎনবদি মীয়াম পূম্নমক্লা খনবা নত্তে। মশা মশাগীদমক খনবনা অয়াম্বনি। মালেমসি লৈত্রবদি কদাইদা চেনগনি ঐখোয় পূম্নমক। পাউখুমসি অরাইবা নত্তে।

মালেমসিগী মপু ওইরম্বা বৃটিশ হায়রিবা ফুরুপকী নিংথৌদি অফবা ইমুংদগী নুপী অমখক লুহোংলগা লৌই। লৈশাবী ওইগদৌবনি। মৌ লৌবা য়াদে। নিংথৌ অদু হান্নদগী অমসুং হৌজিকসু নুপী অমদগী হেন্না লুহোংবা য়াদে। লমচৎ-শাজৎ কাম্বা থবক অমত্তা পাঙথোকপা য়াদে। মীয়ামগী তমজনীংঙাই ওইবা মীশকনি য়ুনাইটেদ কিংদমগী নিংথৌ ওইবসি। বৃটিশ নুপীদি য়াম্না কঞ্জার্ভেটিভ অমসুং রিজার্ভ ওই। য়াম্না চগৎ-চগৎ তৌবী, মফম মরাং খঙদবা লমচৎ-শাজৎ চৎপী নত্তে। মখোয়গী লমদা ফ্রী সেক্স ওইদে। কংলৈপাক্কী ফ্রী সেক্স মপান্দা ওইদ্রবসু লৈনাং তানা মনুংদা মোৎলিবা অসিগুম্বা লমচৎ-শাজৎ, চাওখৎপা ইংলেন্দদা চৎনদে। চাওখৎপা হায়বসি থম্মোয় মনুংদু চাওখৎপদুনি। মীৎনা উরিবা অরং অরাক ময়ামদু নত্তে চাওখৎপা হায়বসি। মীয়াম্বু মতম পূম্নমক্তা মীনম্বা য়াদে।

ইতোমতা হংজৈ য়াম্না তোয়না, কংলৈপাক্কী চাওখৎ খোঙথাংসি করম্বা মখলগীনো? ঐগীদি মীপাল তাংলগা, মীতোপ্পা লমদমসিগী মীরেপকী লুচিংবা খল্লিবা, মীরেপশিং কাখ্রগা হঙোইদৌনা মশা মশাগী কান্নবা-খুদোংচাবগী পার্টিদা ইকায়দনা ফন-ফন চোঙশিল্লিবা, দ্রগ ফাবগী পাউ নুমিৎ খুদিংগী য়াওরিবা, ফম্নাইবশিংগী থাকসি অদুক্কী মতিক নেমখরে মদুদি লৌউবশিংদগী হার ফাওবা শেন্দোং য়াওরগা য়োল্লি। মীতোপকী থৌজালদা হিংলিবা মীয়াম্বু কনানা ইকায়খুম্নগদগে? ইশাগী মীংচৎ, ঈজৎ, লমচৎ-শাজৎ, অফবা থবক হায়বসি কৈথেলদা পেকেট অমদা হাল্লগা য়োনবা নত্তে। তুংদা হৌরক্কদৌরিবা ইচা ইশুশিংনা ঐখোয়বু করম্না নীংশিংহৌগনি? অফবা থবকশিং অদুতনি মখোয়না নীংশিংহৌগদবসি। ফত্তবশিংদি য়াম্না হঙ্গোইগনি মখোয়না।

ৱাফমশিংসিদগী খা থৈদোক্লগা - কুমজা ১৯৭৬তা ঐনা থেংনজরকপা মরুভূমি ওইরম্বা রাজস্থানগী (থার দেজার্ট) এরিয়াদা ওইরম্বদু ইজগে। মফম অদুদা চহী চূপ্পা নোং মরীক অমা ফাওবা তাদে।

ইন্দিরা গান্ধী কেনেল শেম্বা কুমজা ১৯৭৬কী মমাঙদা হৌরম্লে। কেনেল অদু শেমদ্রিঙৈগী ফীভমদুগা শেম্লবা মতুংগদি পুমখেন খেন্নবা অমা মফমদুদা উখ্রে। কেনেলগী ঈশিংদু পঞ্জাবতা চেল্লিবা তুরেলশিংদগী থারকপনি। চহী চূপ্পা ঈশিং মরাং কায়না চেনবা তুরেলশিংনি। কেনেল অদুগী মতেংনা হৌজিক্তি রাজস্থানগী এরিয়া অদু পুমশং শংখরে। আর্মিগী ইকোলোজিকেল বট্টালিয়নশিংনা উ থাবদগী দেজার্টকী এরিয়া অদু উ পাম্বীশিংগী জঙ্গল-ফোরেষ্ট ওইখরে। অদুগী ওন্ন-তৈনবনি মফমসিদা উরিবসি। ফোরেষ্ট এরিয়া ওইরম্বা কংলৈপাক অসি ঙসিদি মরুভূমি ওইরকপগী মওংদা চপ চানা চঙশিল্লি। নেচরগী ওইনা অদুক ফরমখ্রবা মফমসি সিমেন্টনা, চেকনা, য়োৎনা কোৎতৈ-তৈরগা ক্লাইমেট অসি পুমহোং হোংহনখ্রে। শাবসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি।

চহী চূপ্পা ঈশিং মরাং কায়না চেল্লম্বা, লমদমসিগী তুরেল মচাশিংদু ঙসিদি খোংবাল-নালা মচাগী ফীভমদা লৈরি। তুরেলদা ঈশিং চেনদ্রবা লমদমনি। চীংশিংদা উ-ৱাশিং তক্লা কোকখিবদগী ফীভমসি ওইরক্লি। হৌজিক্কী মীরোলনা মতুংগী মীরোলগী থল্লমগদৌবা খুদোলশিংসি অফবা খুদমদি অমত্তা নৎত্রে। ঐখোয় পূম্নমক্লা অহাঙবা মফমশিংদা উ মশীং খঙদনা থাসি।

দেল্লী, ধেরাদুনদনা হেন্না ফোরেষ্ট এরিয়া ওইখ্রে। চহী ৪০ হেনবগী মতুংদা দূন ভেল্লিদা চৎলুবদা অঙকপা সিন অমদুম উরকখি। উ অমত্তা য়ান্দবনা অচৌ-অচৌবা উশিংনা লম্বী মপানশিংদু য়াম্না ফজনা অমসুং নুংঙাইবা মফমশিং ওইরল্লি। হেন্না চাওখৎপগী ফীভমদা পুমহোং হোংলম্লে। অফবগী মতৌ তমসি। ফত্তবা থবকশিং থাদোকপীয়ু।

নেচরনা লমদমসিগী মীওইশিংদা পীবিরিবা - উ-ৱানচিংবা, ই, শিংমিৎনশিংবা পূম্নমকসি থাদোক্লগা চেক্কী, য়োৎকী শাবনা ক্লাইমেটতদি য়াম্না হোংলক্কনি, মসি অফবা অমদি চাওখৎপা নত্তে। মণিপুরদা য়োৎ ফংদে, সিমেন্ট শেমদে, লৈঙোই ফাওবা নাগালেন্দদগী লৈরি। মিষ্ট্রিসু মীতোপ্পা ফৈ খল্লগা অচৌ অচৌবশিং শারি।

শ্রী লঙ্কা, বারমর (রাজস্থান) নচিংবা মফমশিংগী উদি য়াম্না কল্লি, শুম ফাওবা চাবা ঙম্বা নত্তে। ভুটানগী উচানসু য়াম্না ফৈ, শুম চাদে। হ্যুমিদিটি য়াম্না ৱাংবা লমদমসিগী উ ৱাদি খরা ফবা ৱাৎলি। ফোরেষ্টকী মরমদা, উ-ৱাগী স্কোলরশিংনা করম্না ফগৎকনি খল্লগা মীয়ামদা তাকপীরবদি মীয়ামগী লৌশিং হেনগৎকনি। হেন্না অফবা কংলৈপাক ওইহনসি।

পুন্সিসিদা করিসু পাঙথোকপা ঙল্লমদ্রবসু উ পাম্বী খরদি হৌহনবীরম্মু। পুন্সি মহয় য়ানবা ওইগনি। পাম্বীগী মতেংনা ঐখোয় ইতোমতা লেপচবা ঙমগনি। অতাঙবা উশিংদগী চাওখ্রবা ইনকম লাকপা য়াই। ফজনা প্লান তৌরগা উ-ৱা থারবদি ফর্নিচর, পেপর ইন্দষ্ট্রি, টিম্বর শেল্লগা মপানগী লমদগী রেভন্যু য়াম্না শোয়দনা ফংগনি। উগী, ৱাগী ফজখ্রবা লমদম অমা শেম্বা য়াই। মতম মাঙনবনি গভর্ণমেন্টকী মতেং পাম্বীরুগনু। ঐখোয় পূম্নমক ইতোমতনা হোৎনজরগা লেপচসি। কনাগীসু মতেং লৌরোইসি। নিবগী থবক থৌরমসি লোইশিনখ্রসি। ইকায়ফম থোকই নিবগী পুন্সি মরেলসি।

নুপী অমা ওইনা পোল্লকপদা মতিক মগুন অমত্তা ৱাৎত্রবা মীশক অমগী ফোটোনি ঙসিগী আর্টিকল অসিদা উরিবা ফোটো অসি। ঈংবা-তপ্পা, ৱা হৌনা ঙাঙদবা, ধর্ম্ম কায়দবী, অহল-লমন মশক খঙবী, লমচৎ শাজৎ মক্ত্রবা, কনাদসু অথিবা ৱাহৈ অমা ফাওবা ঙাঙদ্রবী ঐহাক্লা হেক থংনবা ইচলনি। উন্নরগনা হেক উবদা খুরুম্মী খোঙ পায়রগা। ফোটোদসু খুরুমজরি তামো হায়বসিনা অহানবা ৱাহৈনি। অফববু মশক খঙবিদ্রবা লৈবাক ওইবনা কনানসু খঙবিদ্রি অফবা মীওই পূম্নমকসি।

চহী কয়াদগী তূমিন্না পাঙথোক্তুনা লাকপদু ঙসিদি মীয়ামদা পাউদমজরি। খঙন-চান্নবা অহলশিংনা হিংলিঙৈদা ঐনা অঙঙম্বা ওইনা লুপা লিশীং ৫ করিগুম্বা চানীংবা চাহৌনবা খুরুম্লগা কৎচৈ। কান্নদ্রবা চৎনবীসিগী ৱাংমদা লৈজৈ। William Shakespeare না ইবা Julies Caesar গী প্লেদা য়াওরিবা BRUTUS গুম্বা মীশিংনা পাল্লিবা লৈঙাক্তগী করিসু অফবা উরোই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহিবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।